HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

হুইয়েন লানপাউ

ফুমলৌ জি পি অমসুং আশাকমল এগ্রোবেদ প্রাইভেট লিমিটেদনা শীন্দুনা থা ৩ চথগদবা কেন, বেম্বু অমসুং কৌনা ক্রাফ্টকী ত্রেনিং ফাউন্দেসন কোর্স অমা ওল ফুমলৌ কম্যুনিতি হোলদা হৌদোকখিবা

স্পেসল লিগেল এৱ্যোর্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে
☛ লামায় ৩

খুল্লং ঈশৈ, মোইরাং কংলৈরোলগী ওজা, লমজাও তোম্বনা থুপশ্রবদা
☛ লামায় ৪

লুপা তরেৎনা পুন্সি অমা শেমখিবগী ৱারী
☛ লামায় ৫

বি জে পিদি চিনগা খুৎকা মান্নদবা ৱাজাও ঙাংবা পার্টিনি : হেমন্ত
☛ লামায় ৬

অজাদি কা অমৃট, প্রদুসন সে অজ াদিগী থৌরম অমা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্ট অমসুং ঊং লোয়শঙনা শীন্দুনা হোটেল ক্লাসিকগ্রান্দেদা পাঙথোকখিবদা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দি ডা. মাখোনমনি মোংসাবনা শরুক য়াখিবা

Vol. 45, Issue No. 173 | নোংমাইজিং, লাংবনগী ১৩নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, September 19, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

সী এমগী পাউজেল

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচএনএস): 'ভেজিটরিয়ন দে' হায়নসু পাঙথোক্লিবা অনন্ত চতুরদসিগী থৌরম লাকপগী মাঙওইননা মণিপুরগী মীয়াম মরু ওইনা জ্যেন ফুরুপকী মীওইশিংদা অখন্ননা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মহাক্কী পাউজেলদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, থৱায় পানবা অমত্তদা অৱাবা থোকহল্লোইদবনি হায়বা অচেৎপা ৱাফমদা থাজখিবা জ্যেনিজম হৌদোক্লম্বা লোর্দ *...মখা লামায় ৩ কলম ১*

ত্রান্সলেসনগী মনা পীরক্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচএনএস) :কুমজা ২০২০গী সাহিত্য একাদেমিগী ত্রান্সলেসনগী মনা পীগদবা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা লোলদা ত্রান্সলেসন তৌবগী মনাদা মণিপুরগী ওইনা হৈক্রুজম শ্যামসুন্দর খল্লক্লে।

মনা অসি মহাক্না আর কে নরায়নগী ইংলিস লোলগী নোভেল *...মখা লামায় ৩ কলম ১*

পুং ৪৮দা পোজিটিভ ৩৪৮ থেংনখি, ৯ লৈখিদে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমগী ঙরাং অমসুং ঙসিগী রিপোর্ট মতুংইন্না হৌখিবা পুং ৪৮গী মনুংদা অপূনবা অনৌবা পোজিটিভ কেস ৩৪৮ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা মীওই ৯ লৈখিদ্রে হায়রি।

ঙরাং থেংনখিবা অনৌবা পোজিটিভ কেসশিং অদুনা সী এ পি এফকী পর্সনেল ২৩ য়াওরগা ২০৮নি। ঙরাংগী *...মখা লামায় ৩ কলম ৭*

কৌসলাচার্য্য এৱার্দ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচএনএস): মণিপুর সোসাইটি ফোর স্কিল দিভেলপমেন্টগী মখাদা কে বি ফিলনম্বোপি-ফাইভকী ত্রেনর হুইরেম মাল্যা অপোকপা ঐচ নিলাদা, নাওরেমথোং তখেল্লম্বম লৈকায় (মপুরোয়বা কোম্বৌজম আনন্দ) নিংথেমচা কারোংদা পি এম কে ভি ৱাই ২.০গী গ্রুপ টুগী মখাদা নেসনল এৱার্দ ফোর এক্সিলেন্স- ত্রেনরগী কেটেগোরি ১দা কৌসলাচার্য্য এৱার্দ পীরক্লে হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ২৮.২৪°C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৮.৯৯°C
মণিপুরগী নোংজ্রুগী চাং : ৮.২৩
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.০২
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.১৪

HL Poll

Q: Election naksillakpada toina lakliba union ministersingna manipurgi package laothoklambana achumba oiroidra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Indo-Myanmar bordergi wathok meirikpidagi meijaobi houraktringeida leingakna santainaba hotnapham thoktabra?

Yes 100% No 0%

অস! লোইরেহে!

- নখোয় লৌগী মতমদা কনানা নোং তাহল্লি খঙব্রা?

- ꯅꯈꯣꯌ ꯂꯧꯒꯤ ꯃꯇꯝꯗ ꯀꯅꯥꯅ ꯅꯣꯡ ꯇꯥꯍꯜꯂꯤ ꯈꯪꯕ꯭ꯔꯥ?



- সরনা তাহনবনি নোং অদু!

- ꯁꯔꯅ ꯇꯥꯍꯟꯕꯅꯤ ꯅꯣꯡ ꯑꯗꯨ!

মোদিগী ৭১শুবা মপোক নুমিৎতা সীএমনা লুচিংদুনা মীয়াম হুপ্না লূ-নানবগী খোঙজং চখখ্রে

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী 'সব কা সাথ, সব কা বিকাস, সবকা বিশ্বাস' কী মখাদা লৈঙাক্না পুকচেল শেংনা ত্রান্সপরেন্সি লৈনা মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংশিং পায়খৎলি : এন বিরেন



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচএনএস) : প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী 'সব কা সাথ, সব কা বিকাস, সব কা বিশ্বাস' কী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর লৈঙাক্না পুকচেল শেংনা মনুং মপান ফাওনা উহন্দুনা মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংশিং পাঙথোক্লি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ৭১ শুরকপা মপোক নুমিৎতা মহাক্না লুচিংদুনা মাস ক্লিনলিনেস দ্রাইভশিং পাঙথোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোকখিবা ইকোনোমিক দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রাম (ঈ দি পি) অমসুং প্রধান মন্ত্রিজন ভিকাস কারিয়াক্রম (পি এম জে ভি কে) গী মখাদা বেনিফিসরিশিংদা তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবগী হৌদোকখিবা থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারদুনা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়, মীপুম খুদিংমক্কী থোঙজিন্দা লৈঙাক্কী থবক থৌরমশিং ফংহন্নবগী পান্দমদা গো টু হিলস অমসুং গো টু ভিলেজ মিসনশিং মায় পাক্না পায়খৎলে। মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা হৌখিবা চহী ৪ মখায়দা ইনফ্রষ্ট্রকচরেল দিভেলপমেন্ট কয়া অমা পায়খৎলে। মণিপুরগী খুঙ্গংগী শেল থুমগী ফীভম ফগৎহন্নবগী মতাংদা মরু ওইনা পল্লদুনা মহাক্না হায়, ষ্টেট অসিগী ওন্ত্রপ্রেন্যুরশিং অমসুং ওন্ত্রপ্রেন্যুর কয়াদা মতেং পাংনবগীদমক মণিপুর ষ্টার্ট অপ স্কিম হৌদোক্লে। চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা নুপী কৈথেল ৭ শাদুনা শঙ্গাখ্রে অমসুং হৌজিক অনৌবা নুপী কৈথেল ১০ শাগৎপগী থবকসু চথরি।

বি জে পিনা লুচিংলিবা লৈঙাকসিগী মখাদা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম শিংথানবা য়ানা ফগৎলে। ষ্টেট অসিগী নুপীশিংগী চেকশিন থৌরাংশিংগীদমক লৈঙাক্না তোঙান তোঙানবা থবকশিং লৌখৎলে। দিষ্ট্রিক্টশিংদা নুপী খক্তগী ওইবা পুলিস ষ্টেসনশিং হাংদোক্লে। গভর্ণমেন্ট অসি লৈরকপদগী ২৪ x ৭কী টোল ফ্রী ৱিমেন হেল্প লাইন হাংদোক্লে হায়খি।

থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা লুপা ১.১৩ ক্রোরগী ওইগদবা য়েন্নাওশিং বেনিফিসরি ১৪১৮দা য়েন্থোকপগা লোয়ননা লুপা ক্রোর ১.২৫গী ওইগদবা নেপসেক স্প্রেয়রশিংনা বেনিফিসরি ২৫৪৪দা য়েন্থোক্লগনি হায়খি। বেনিফিসরি ১৩৫দনা লুপা ক্রোর ১.৩৭কী কার্পেন্ত্রি আইটেমশিং, লুপা ক্রোর ২.৮ লোমগী ঙা মচাশিংনা বেনিফিসরি ২৮০৩দা অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল অমসুং চান্দেলগী মাইনোরিটি নুপী মহৈরোয় ১২৭৭তনা লুপা লাখ ৫৭ লোমগী ওইগদবা সাইকল ১২৭৭ য়েন্থোকপা হৌখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা পি এম জে ভি কেগী মখাদা লুপা ক্রোর ৩২১গী প্রোজেক্ট ২৬৪ মপূং ফানা লোইশিল্লে অমসুং হৌজিক্না লুপা ক্রোর ৭০৪গী প্রোজেক্ট ৩১৮ পায়খৎলে হায়খি। হায়রিবা প্রোজেক্টশিং অসিগী মনুংদা চীং অমসুং তম *...মখা লামায় ৩ কলম ৪*

মীয়ামগী থবক তৌদনা পার্টি অমত্তনা মায় পাকপা ঙম্লোই : ভুপেন্দ্র য়াদব

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস) : লৈবাক মীয়ামগী থৌজাল য়াওদনা, মীয়ামগী থবক তৌদনা পোলিটিকেল পার্টি অমত্তনা মীখলদা মায় পাকপা ঙম্লোই হায়না নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎতা ইম্ফালদা ঙসি থুংলখিবা বি জে পিগী মণিপুরগী ইলেক্সন ইন-চার্জ অমসুং ইনভাইরনমেন্টকী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ভুপেন্দ্র য়াদবনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি বি জে পি ওফিসতা পাঙথোকখিবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ওফিস বিয়ররশিং, স্পোক্সপর্সনশিং, ষ্টেট মোর্চাগী প্রসিদেন্টশিং, দিষ্ট্রিক্ট অমদি মন্দলগী প্রসিদেন্টশিংগী ওইবা মীফমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ভুপেন্দ্র য়াদবনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্ন হায়খি, লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরক্লিবা লমদমসিগী শান্নরোয়শিং, ইন্দিয়ন আর্মিগী থবক্তা মণিপুরীশিংগী কৎথোকপা ঙম্বগী থৌনা, লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেসনগী থবকশিংদা মশক থোকপা থবক কয়া তৌরিবা মণিপুরীশিং, মশক নাইবা অইবশিং অমদি ইনাক খুল্লবা নাট অমসুং কলচর লৈরিবা ষ্টেট অসিবু হেন্না চাওখৎপা পুরক্নবগীদমক বি জে পিনা হন্দক্কী মীখল অসিদা লাম্হেংনগনি। চহী মঙাগী মমাঙদা লমদম অসিগী মীয়াম্না বি জে পিবু মীনুংশি থম্বীখি। মণিপুর মীয়াম্না পীবিখিবা থৌজাল অদুবু শক খঙবা ওইনা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর অমদি বি জে পিগী লুচিংবশিংনা তাকপীরকপগী মতুংইন্না লমদম অসিগী মীয়ামগী থৌগল তৌবা ঙম্নবা খুরুমজৌ হায়না থাবীরকপদগী ঙসি মণিপুরদা লাকপনি। হৌখিবা চহী মঙারোম অসিদা লৈঙাক অসিগী এচিভমেন্ট কয়া লৈখ্রে। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা ষ্টেট অসিদা চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎখ্রে। হীরম খুদিংদা পার্টি অসিনা মশক থোকপা শিংথানীংঙাই ওইবা থবক কয়া তৌখি। অসিগুম্না মরু ওইবা থবক কয়া অসিবু মখা তানা পায়খৎনবা অমদি মীয়ামগা পূন্না চৎমিন্নদুনা দেমোক্রেসিগী মপাঙ্গলবু অমুক্না হেন্না কনখৎহন্নবা হোৎনবা হায়বসি ঐখোয় পুম্নমক্কী থৌদাংনি। বি জে পিগী সব কা সাথ, সব কা বিকাস, সব কা বিশ্বাস হায়রিবা ৱাফমশিং অসিগী মতুংইন্না চৎলি। কাঙলূপ ফুরুপকী খেন্নবা থমদনা ওইজবা অমদি কান্নবা থিদনা বি জে পিনা থবক তৌগনি। বি জে পিনা ঙসি ফাওবদা অচান মীরাইনাইনা স্কিম অমত্ত মীওই খরখক্কী ওইনা পাঙথোকখিবা লৈতে। মীয়াম পুম্নমক্কী ওইনা পাঙথোকখিবা ঙাক্তনি। লৈবাক অসিগী মফম খুদিংমক চাওখৎহন্নবা হোৎনবা হায়বসি বি জে পিগী পান্দমনি। মণিপুরদসু হৌজিক ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লক্তুনা নুমিদাংগী মতমদা মনীং তম্না কোয়বা ঙল্লি। মসি ঐখোয় পুম্নমক্কী হোৎনজমনগী মহয়নি। বি জে পিগী থৌমীশিংনা মীয়ামগী থবক তৌরবা মতমদতা অশেংবা ৱার্কর অমনি হায়না লৌগনি। মরম অসিনা লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা বি জে পিবু চাউনা মায় পাকহন্নবগীদমক ৱার্কর খুদিংমক্না মীয়ামগী য়াইফন্নবা থবক তৌসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দা, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট অমসুং মণিপুরগী ইলেক্সন কো ইনচার্জ প্রতিমা ভুমিক, বি জে পিগী নেসনল স্পোক্সপর্সন অমসুং মণিপুর ইন-চার্জ ডা. সম্বিট পাত্র, বি জে পিগী নোর্থ ইষ্ট জোনেল সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন অজয় জমাল, অসামগী কেবিনেট মিনিষ্টরসু ওইরিবা মণিপুরগী ইলেক্সন কো-ইনচার্জ অশোক সিঙ্গার, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন অভে গিরি অমদি এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবসু দেজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুগী মাঙওইননা ইনভাইরনমেন্টকী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ভুপেন্দ্র য়াদবনা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ৭১শুবা মপোক নুমিৎ অমদি লৈঙাক্কী হেদ ওইনা থবক তৌরকপা চহী ২০ মপূং ফারকপগা মরী লৈননা চথরিবা সেভা এন্দ সমরপন কেম্প্যেনগী শরুক অমা ওইনা নভ-ভারত মেলাসু হৌদোকখি। বি জে ৱাই এমনা শিন্দুনা জে এন মণিপুর দান্স একাদেমিদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা বি জে ৱাই এমগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরিসু ওইরিবা এম পি রাজু বিষ্টা, বি জে ৱাই এম মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এম বারিস শর্ম্মা অমদি বি জে পিগী লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।

পোলিটিক্সতা গ্রোথ লাকপসি য়াইফখোল ফংবনি

কোংগ্রেসকী এক্তিভ মেম্বর ওইরম্বা মীওই ২৮ এন পি পিদা য়াওরকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচএনএস) : পোলিটিক্স তৌবা, পোলিটিক্সকী ফম্বাক্তা পোলিটিক্স তৌরিবা মীওই অমনা য়াম্না থুনা গ্রোথ লাকপা হায়বসি মীয়ামগী য়াইফখোল ফংবননি হায়না কৈশামথোং এ সীগী এম এল এসু ওইরিবা নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি) মণিপুর ষ্টেটকী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট লাংপোকলাকপম জয়ন্তকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙরাং য়াইস্কুল এ সীগী ওইনা কুমজা ২০২২গী মীখলদা মীরেপ ওইগদৌরিবা হুইদ্রোম বিক্রমজিৎ (ভাইস প্রসিদেন্ট, এন পি পি মণিপুর ষ্টেট) কী ৱাঙ্খৈ থাংজম লৈকায়দা লৈবা য়ুমদা পাঙথোকখিবা হান্না কোংগ্রেসকী এক্তিভ মেম্বরশিং ওইরম্বদগী থাদোক্লমদুনা এন পি পিদা য়াওরকখিবশিংবু তরাম্না ওকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি। *...মখা লামায় ৩ কলম ২*

য়ু জি নি হায়বা ৩ জেলদা থাজিনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচএনএস): লম্ফেল পুলিস ষ্টেসননা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর ১২০ (৯) ২০২১ গা মরী লৈননা মথং মথং ফাগৎলকখিবা নেসনল রেভল্যুস্নরি ফ্রন্ট ওফ মণিপুর (এন আর এফ এম) গীনি হায়বা মীওই অহুম জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রে। ঙসি সী জে এম, ইম্ফাল ৱেষ্টনা জেলদা থাজিনখ্রবশিং অদুদি কাইরং ময়ায় লৈকায়দগী নামৈরাকপম জোতিন এলিয়জ কোকঙাং এলিয়জ থোই এলিয়জ ফিরেপ্পা (২৯), লাঙ্গোল লাই মনাইদগী হুইনিংশুংবম গোরোবা (১৯) অপোকপা লৈখিদ্রবা ইবুংঙো অমসুং মালোম টুলিয়াইমা অৱাং লৈকায়দগী খুন্দোংবম রিষ্টা এলিয়জ তোম্বী (২৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা কে ঐচ ইবোমচানি হায়রি।

চীংঙাই ব্লোক কোংগ্রেসতগী পুল্লপ তোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচএনএস): ৪৫-চীংঙাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট, জেনরেল সেক্রেটরি, ত্রেজরর য়াওনা এ ৱাই সীগী প্রসিদেন্ট, ভাইস প্রসিদেন্ট (মহিলা) অমসুং এগজিক্যুটিভ মেম্বর ১৪ পুল্লপ কোংগ্রেসকী প্রাইমারি মেম্বরশিপ অমসুং এক্তিভ মেম্বরশিংদগী ঙসি রেজিগনেসন তৌরবা মতুংদা এ সী অসিগী বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইরিবা নিংঙম চামরোই (আই এ এস) রিটয়ার্দদা শৌগৎলগনি হায়না তোক্লবশিং অসিনা পূন্না খূৎয়েক পীদুনা থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

স্কুল ৩ শাগদবদা ১ শারগা ২ লুট তৌখি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচএনএস): মমাঙগী কোংগ্রেস লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন মিনিষ্টর ওইরম্বা হৈরোক এ সীগী মোইরাংথেম ওকেন্দ্রোগী মতমদা ইঙাংলোক মচা, ইঙাংলোক অচৌবা অমসুং মালৈ তম্পাক্তা প্রাইমারি স্কুল অহুম শাগদবদা ইঙাংলোক অচৌবদা অমখক শারগা অনী অদুনা শুংশা শাদনা পূন্না লুপা ৩৯,৯৯,৬৮৩ লুট তৌখিবনি হায়না ইঙাংলোক দিভেলপমেন্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরি এম সরতনা ঙসি হৈরোক্তা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবগী থৌরম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসিগী পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা ইঙাংলোক দিভেলপমেন্ট কম্মিটিগী থৌমীশিং অমদি খুলগী মীওই কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

মোদি লৈঙাক্কী মায়োক্তা মণিপুরদসু সেপ্টেম্বর ২০দগী ৩০ ফাওবা ওপোজিসন পার্টি ১১না প্রোটেষ্ট তৌগদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচএনএস) : প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিগী মায়োক্তা লৈবাক শীনবা থুংনা ওপোজিসন পার্টিনা চথগদৌরিবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা মণিপুরদসু সেপ্টেম্বর ২০দগী ৩০ ফাওবা ওপোজিসন পার্টি ১১না তোঙান তোঙানবা মখলগী প্রোটেষ্টশিং চথগনি হায়না পোলিটিকেল পার্টিশিং অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

কোংগ্রেস ভবনদা ঙসি ওপোজিসনদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টি ১১গী মীহুৎশিং য়াওনা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা সী পি আইগী নেসনল এগজিক্যুটিভ মেম্বর ডা. নরনা হায়খি, নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা চথরক্লিবা এন্টি পিপল ওইবা পোলিসি কয়াগী মায়োক্তা লৈবাক অসিগী ওপোজিসন পার্টি ১১না পূনশিন্দুনা লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ২০দগী ৩০ ফাওবা নেসন ৱাইদ প্রোটেষ্ট চথগদৌরি। মসিগী শরুক অমা ওইনা মণিপুরদসু নেসনল অমসুং লোকল পার্টি ১১গী মীহুৎশিং য়াওবা কম্মিটি অমা শেমদুনা খোঙজং চঙশিনগনি। হৌজিক লৈরিবা বি জে পিগী লৈঙাক অসি এন্টি পিপল ওইবা লৈঙাকনি। লৈঙাক অসিনা প্রাইভেটাইজেসনদা হেন্না মীৎয়েং থমদুনা শেঞ্জাও পায়বশিংদা লৈঙাক্কী লন-থুম য়োম্থোকপগী ফীভমদা লাক্লে। মসি মীয়ামগী ওইনা খুদোংথিনীংঙাই ওইবা পোলিসি অমনি। হৌজিক লৈরিবা বি জে পিগী লৈঙাক অসিদি মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবা লৈঙাক হায়বদু ওইরে। লায়রবা মীয়ামগী য়াইফনবা খনবা লৈঙাক ওইদ্রে। মীয়ামগী খোল্লাউ তাবগী মহুত্তা দিক্টেরশিপ ওইনা তৌরে। কোর্পোরেট হাওসশিংগী ওইনা লৈবা লৈঙাক ওইরে। কন্সটিট্যুসননা পীবা প্রোভিজনশিং নাথেরগা তৌনীং তৌনীংবা ফীভমদা লাক্লগদি দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক লৈতে। মরম অসিনা চঙশিনগদৌরিবা খোঙজং অসিদা মীয়াম্নসু শৌগৎপীয়ু হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা *...মখা লামায় ৩ কলম ৫*



NATIONAL HEALTH MISSION

CHIEF MINISTER'S - HEALTH FOR ALL SCHEME

Door to Door Health Screening for Primary Health Care and Chronic Disease Management

- To complete the primary health checkup for all the citizens of Manipur. The primary focus is early identification and diagnosis of Non-Communicable Diseases (NCD).
- In the first phase. 1118 villages will be selected comprising all 16 districts. This villages are linked to 118 Primary Health Sub Centres. 29 Primary Health Centres and 7 Community Health Centres.
- Screening of Non-Communicable Diseases: Hypertension, Diabetes, Heart Disease, Kidney Ailments, Respiratory Disease like COPD, three common Cancers: Oral, Breast and Cervical etc., Mental Health problems and Stroke/Post Stroke.
- Door-to-Door screening of Non -Communicale Diseases with a hand-held screening device of a pateint connected with doctors at Command Centre by Telemedicine.
- Onsite consulatation with Doctors and Prescription with free drug delivery.

NATIONAL HEALTH MISSION & DIRECTORATE OF HEALTH SERVICES, GOVERNMENT OF MANIPUR

HL-B/7166/19

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫